## শুরজ জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস): চৎলিবা থা অসিগী ৩ গী অয়ুক অঙনবা পুং ৩ লোম তারকপদা মশাগী চহী ১৩ রোমদমক ঙাইরিবী পেসেন্ট নুপীমচা অমা রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা লায়েংনবগীদমক পুখৎলকপদা হোস্পিটাল অসিগী কেজুয়েল্টিদা লৈবা ঈ সী জি রুমদা ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবীখি হায়বা থৌদোক্তগা চেন্নবদগী পুলিসনা ফাদুনা মখোয়গী কষ্টদিদা থম্লকখিবা থোকচোম শুরজ (৩৬), অপোকপা টি ঐচ কুল্লা, কৈশামথোং মোইরাং নিংথৌ লৈরকপু কোর্টনা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ভিক্টিম ওইহৌরবী নুপীমচা অদুগী অপোকপী মমানা নুমীৎতুমক্তদা রিপোর্ট তৌরকপদগী লম্ফেল পুলিস ষ্টেসন্না কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। কেস অদুগী এফ আই আর নম্বর- ১৮৮(১০)২০১৯ নি। কেস অসি প্রোটেক্সন ওফ চিলড্রেন ফ্রোম সেক্সুএল ওফেন্স (পোক্সো) এক্ট, ২০১২ গী সেক্সন ৬ কী মখাদা লৌখৎপনি।

কেস অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা ফাখিবা শুরজ ঙসি ফাওবদা নুমীৎ মঙানিগী পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথদুনা ৱাহং পাউহং চথুরকখিবনি। অদুবু ঙসি মহাক্কী পুলিস কষ্টদিগী মতম লোইরদুনা স্পেসল জজ (পোক্সো), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা মহাকপু জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা কোর্টনা অয়াবা পীরদুনা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবনি।

## সেমিনার পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস): নাওরিয়া পাখংলাকপা ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ১৫০ শুবা মহাত্মা গান্ধীগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা মেকোলা কৈথেলদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী মেমোরিএল কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নাওরিয়া পাখংলাকপা ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এস চাওবন, এম পি সী সীগী সেক্রেটরি এস জিতেন, দি সী সী ইম্ফাল ৱেষ্টকী প্রসিদেন্ট এন নিমাই, রিটয়ার্দ এঞ্জিনিয়র আই এফ সী দি, পি ইঙোচা অমদি কোংগ্রেসকী ফিশরমেনগী চ্যেরমেন বিরেন্দ্রনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

সেমিনার সেসনদা এম পি সী সীগী সেক্রেটরি এস জিতেননা মোদরেটর ওইখি। এল প্রেমচান্দ, এম দি সলিম অমসুং ৱাইখোম হেমন্তনা রিছোর্স পার্সন ওইখি।

এস জিতেননা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়খি, কুমজা ১৮৬৯ দা মহাত্মা গান্ধী গুজরাততা পোকখি। কুমজা ১৯৪৮ তা লৈখিদে। মতমদুদা ইন্দিয়া বৃটিশকী মখা লৈরম্মী। অফ্রিকাদা উকিল তম্বা লোইরবা মতুংদা ট্রেনদা চৎপদা ফর্ষ্ট ক্লাস তোংবা য়ারোই হায়রকপদগী মহাক্কী ৱাখল হোংলকখি। সাউথ অফ্রিকাদা লৈবা মতমদা মীয়াম খোমজিনবা হৌরে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## য়ানিংদে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস): য়ুম্লক্তা বোম পোকখায়হন্দুনা অকি-অখঙ পোকহনবা য়ানিংদে হায়না কোওর্দিনেটিং বোদি খুরাইগী কোওর্দিনেটর রোসননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ৫ গী নুমীদাংদা হঞ্জবম প্রেমকুমার অমদি হঞ্জবম ওংবী বিনোতাগী য়ুমগা পুনবা মান্দপতা বোম পোকখায়হনখিবা অদু পাংদবগী থৌওংনি। থৌদোক অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা শেংদোকপীয়ু। কোওর্দিনেটিং বোদি খুরাইনা কোনবা মফমদা বোম পোকখায়বা হন্দক্কীসিনা মঙারক শুরে। তুংদা অসিগুম্বা অকি-তুজুংবা থোকহনবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস): প্রধান মন্ত্রি কৃষি সঞ্চায় যোজনা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগীদমক রেজিষ্টর কম্পেনি/দিল্লরশিংদগী এপ্লিকেসন কৌরি হায়না নোদেল ওফিসর ষ্টেট নোদেল সেল পি এম কে এস ৱাইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। কম্পেনি/মেন্যুফেকচররশিংগী মনুংদা ষ্টেট অসিদা দিষ্ট্রিব্যুটর অমদি টেক্নিকেল ষ্টাফ লৈবশিংদা প্রিফরেন্স পীগনি। এপ্লিকেসন থাজিনবগী অরোইবা মতম পাউচেদা এদভর্টিজমেন্ট থোকপা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ১২ নি ফাওবগী মনুংদা ওইগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## গান্ধীগী ৱাখল্লোন নীংশিংদুনা অচুম্বগী মঙালগা লোয়ননা নুংঙাইবা লমদম ওইহল্লসি : শরতচন্দ্র

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস): মহাত্মা গান্ধীগী ঈং-তপ্পা অমদি অচুম্বগী ৱাখল্লোনশিং নীংশিংবগা লোয়ননা অচুম্বগী মঙালগা লোয়ননা নুংঙাই-য়াইফবা লমদম অমা ওইহল্লসি হায়না পি সী সী মেম্বর পি শরতচন্দ্রনা ঙসি নোংমগী ওইবা সেমিনারদা ফোঙদোকখ্রে।

গান্ধীজিজ এইম এন্দ ইটস নন-ভাইওলেন্স মুভমেন্ট হায়বা হিরমদা হৈঙাং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি হৈঙাং ময়াই লৈকায়দা লৈবা পি শরতচন্দ্রগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা সেমিনার অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মহাক্না হায়খি, মহাত্মা গান্ধীগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মহাত্মা গান্ধীগী ফিলোসোফি অসি ঙসিদি য়াম্না মরুওইরক্লি। অচুম্বদা য়ুম্ফম ওইবা মহাত্মা গান্ধীগী ৱাখল্লোনশিং নীংশিংবগা লোয়ননা ঈং-তপ্পা, নুংঙাই-য়াইফবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নরসি। মহাত্মা গান্ধীনা পান্নম্বা অচুম্বগী লম্বী অদুদা চৎলবদি পুম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি।

ঈং-তপ্পা অমদি নন-ভাইওলেন্সকী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা মহাত্মা গান্ধীনা মীয়ামগা লোয়ননা চঙশিন্দুনা লাকখিবা শাংলবা পুৱারী লৈরিবনি। মীয়ামগীদমক কথোকপগী ৱাখল্লোন চেনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। অসিগুম্বা ফজরবা ৱাখল্লোন অসি তুংইন্দুনা চৎলবদি পুম্নমক্কী ওইনা অফবা ওইগনি। মহাত্মা গান্ধীগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা সেমিনার অমদি খন্ন-নৈনবগী থৌরম কয়া পাঙথোক্লি। অসিগুম্বা থৌরম অসিদা অখঙ-অহৈ কয়ানা মহাত্মা গান্ধীগী পুন্সি ৱারী কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া থল্লিবা অসি তাশিনবদা য়াম্না কান্নগনি। অফবা ৱাখল্লোন লৌশিনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। মীপুম খুদিংমক খেন্নবা লৈতে। কাঙলুপকী খেন্নবা লৈতে হায়বা ৱাখল্লোন চেনবা লুচিংবা অদুনা খল্লম্বা কয়া অদু ঙসিগী মীরোলনা নীংশিংবা চঙই। মতম লৈবা খিবিক্তা অচুম্বা হায়বসিনা মাঙদা থারগা চৎলবদি খুন্নাইগী ওইনা অফবা ওইগনি। অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবা হোৎনবদা অফবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা থবক তৌবা চঙই। অচুম্বদা য়ুম্ফম ওইবা থবকশিংদি মতম লৈবা খিবিক্তা মায় পাক্কনি। ঐখোয় খুদিংমক্না ৱাখল্লোন অসি চেৎনা থাজবগা লোয়ননা থবক থৌরম খুদিংমক কথোকপগা লোয়ননা হোৎনবা তাই। থোং মান্নবা চাউখৎপা, কাঙলুপকী খেন্নবা লৈতবা য়াইফবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা হৈঙাং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ডা. এন জি ব্রোজেন, এম পি সী সীগী থৌ পুবা কয়া অমদি হৈঙাং ব্লোক কোংগ্রেসকী মরুওইবা থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

## কোর্টকী ফঙ্কসনিংদা অকায়বা পীবসি লোনা য়াদবা অমনি : খাইদেম মনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস): কোর্টকী ফঙ্কসনিংদা অকায়বা পীবসি লোনা য়াদে হায়না মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চ্যেরপার্সন খাইদেম মনিনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেলদা লৈবা কম্মিসনগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা খাইদেম মনিনা হায়খি, কোর্টতা ময়াম থোমজিনবগী থবক তোকপীয়ু। নুপীনা মনুংদা গাইদ তৌদবা য়াদবা সোসাইটি অমদি ওই। খুল্লক্কী ৱারেপ লৌবদদি নুপীদনা লৌই। লৈবাক্কী ৱাথোক অমা থোকপদা মোব জষ্টিসরোমদা অমদি মোব ভাইওলেন্সরোমদা লাক্লগদি ঈহৌশিং শাংবা য়ারোই। ঈহৌ মওং তাদবা অমদা চৎখ্রগদি মীয়াম মৱা লৌদবা খুন্নাই অমা ওইরক্কনি। ঈহৌ তৌবা মতমদসু চেকশিন্না য়েংলগা তৌবা তাই। লোগী মখুৎতি শাংই। অফবা খুন্নাই অমা ওইনবা মোব জষ্টিস তৌবীগনু। মোব জষ্টিস হায়বসি লোনা য়াদবা ক্রাইম অমনি।

কনাগুম্বা মীওই অমনা ক্রাইম তৌরম্মী হায়রগা কোর্টতা হেক্তা থোমজিনবসি করিগীনো। কোর্টতা পুথোরল্লিবা অদুদি কোর্টনা কুপ্না লোগী মতুংইন্না তৌগদবনি। মোব ভাইওলেন্স লৈতনবা হোৎনবা তাই। কোর্টতা ময়াম ওমশিল্লগা কোর্টকী থবক তৌবা ঙমহন্দবা হায়বসি লোনা য়াদবা অমনি। মরী লৈনবা পুলিস ওথোরিটিনা মোব ভাইওলেন্স থিংনবা হোৎনবগা লোয়ননা ক্রিমিনেল কোর্টশিংদা মোব ভাইওলেন্স তৌদনবা আপিল তৌরি। তঙাইফ্রবদি সু মোটো লৌখৎলগা দি জি পি, পুলিস ওথোরিটিদা রেক্কমেন্দেসন তৌরক্কনি।

ষ্টেটকী মোব ভাইওলেন্স থিংনবা এক্সন লৌখৎনবগীদমক ষ্টেট এসেমব্লীদা বিল পুথোক্তুনা লো শেম্মু হায়নিংই। এসেমব্লী য়ৌদ্রিঙৈদা ওর্দিনান্স অমা আর্টিকল ২১৩ গী মখাদা গভর্ণরনা লেজিসলেচর পৱারগী মতুংইন্না মরক্তা জারিবা ঙম্মী। অসিগুম্বা অসিসু শেম্বা চঙই। লোগী ওইবা হিরম কয়া অসি ঐখোয়না খঙমিন্নবা চঙই। কোর্টকী ফঙ্কসনিংদা অকায়বা পীবা হায়বসি লোনা য়াদবা অমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## বি বি পোল হোমদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস): লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এসোসিএসন ওফ লাইওন্স ক্লব দিষ্ট্রিক্ট ৩২২ দিনা ঙসি ৱর্ল্ড সর্ভিস ৱিক্কা মরী লৈননা বি বি পোল মেন্টেল্লি রিটার্দেদ হোম মোংশাঙ্গৈদা চেঙ বেগ ৫, আলু বেগ অমা, চান-থক্লবা পোৎলম কয়া মতেং পাংখ্রে।

লাইওন্স ক্লব ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু সুসিত্রা, সেক্রেটরি এল শরত, ফর্ষ্ট দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর ঐচ মনিকুমার, ওল মণিপুর মেন্টেল্লি হেন্দিকেপ পার্সন ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট চোংথাম নিংঙোল আর কে ওংবী প্রমোদিনি অমদি ওর্গনাইজেসন অসিগী সেক্রেটরি ৱাই ইবেচাওবীনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

থৌরম অদুদা লাইওন ঐচ মনিকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, লাইওন্স ক্লব অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা সর্ভিস তৌবা ওর্গনাইজেসননি। মখল খুদিংমক্কী সর্ভিস তৌরি। ইন্টরনেসনল ওর্গনাইজেসন ওইবনা মরুওইবা সর্ভিস মঙা লৌখৎলি। সর্ভিস মঙা অদুগী মনুংদা ঙসিগীসু অমনি। অনীশুবদা ইনভাইরনমেন্ট, অহুমশুবদা মীৎকা মরী লৈনবা হিরমদা মতেং পাংবা, মরিশুবদা দাইবেটিস, মঙাশুবদা কেন্সর অসিনচিংবা য়াওরি। লাইওন্স সর্ভিস দে হায়না পাঙথোক্লরি। কুমজা ১৯১৭ গী জুনদা ওর্গনাইজেসন অসি লিংখৎখি। অহানবা নেসনল কনভেন্সন য়ু এসতা তৌখি। লাইওন্স মেম্বরশিংনা অঙম-অঙম্বা পুথোক্লগা হোৎনবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## এস আই টি রিপোর্ট খঙহন্দ্রবদি খোঙজং চঙশিন্নবা শেম-শারে : এম এম দল্লিয়ু ও

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস): এম ও বি সী দিপার্টমেন্টতা কুমজা ২০১০ দগী ২০১৭ ফাওবগী মনুংদা পায়খৎখিবা স্কিমশিংগী মতাংদা থিজিন্নবা শেমখিবা এস আই টিগী রিপোর্ট অথুবদা খঙহল্লু। চেন্নবা ওফিসরশিংসু এক্সন লৌখৎতবা তারবদি খোঙজং চঙশিন্নবা শেম-শারে হায়না মণিপুর মুস্লিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (এম এম দল্লিয়ু ও) হেদ ক্বার্টরগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এস কে ৱারজিৎ শাহনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

হট্টাদা লৈবা এম এম দল্লিয়ু ওগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, এম ও বি সী দিপার্টমেন্ট অসি মাইনোরিটি এফেয়রস দিপার্টমেন্ট অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ ও বি সী হায়না বাই ফর্কেট তৌ হায়না এম এম দল্লিয়ু ওনা চহী কয়াগী মমাঙদগী দিমান্দ তৌদুনা লাকখি। মসিগী মতুংদা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ওইনা শেমখ্রে। এম ও বি সীদা কুমজা ২০১০ দগী ২০১৭ ফাওবগী মনুংদা পায়খৎখিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মতাংদা হ্বাইট পেপর পুথোকউ হায়না এম এম দল্লিয়ু ওনা খোঙজং কয়া চঙশিনবা লৈখি। খোঙজং চঙশিল্লকপদগী চীফ মিনিষ্টরগসু উনদুনা ৱারী শানখি। এম ও বি সীগী মখাদা পায়খৎখিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী থবক থৌরমদা কাঙলোন লান্না চথখিবা কয়াগী মতাংদা থিজিন্নবা তকশিনখি। লৈঙাক্না এস আই টি অমা শেমখি। অদুবু এস আই টিগী রিপোর্ট হৌজিক ফাওবা পুথোকপা লৈত্রি। তুমীন্না অদুম্মক লৈশিনখ্রে। স্কেন্দল কয়াদা চেন্নবা ওফিসলশিং অমুক হন্না হাপচিনখ্রে। মসি করম্বা মওংদা হাপচিল্লিবনো।

এস আই টিগী রিপোর্ট অথুবদা খঙহনগদবনি। চেন্নবা ওফিসলশিংসু লৌখৎফম থোকপা লোগী ওইবা থবক লৌখৎকদবনি। করিগুম্বা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীদবা তারবদি খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম-শারে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা এম এম দল্লিয়ু ওগী থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

## মীকোললোক্তা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা চীংমী-তম্মী পোৎলান্নখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস): চীংলৈপাক লাইকন লূপনা শীন্দুনা মেরা হৌচোংবগা মরী লৈননা চীংমী-তম্মী পোৎলান্নবগী থৌরম অমা হৈঙাং চীংগী হঞ্জিং চীংমৈদা লৈবা মীকোললোক কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা এম পি, ডা. আর কে রঞ্জননা হায়খি, থৌরম অসি য়াম্না কান্নবা পীবা অমনি। তাংখুল, কবুই, মরিংগী জগোয় ঈশৈদা হৌ-হা লাউরিবসি অপূনবগী শক্তম অমা পুরক্লবগীদমক লাউরিবনি। মসি অপূনবগী শক্তমনি। নিংথৌ পাল্লিঙৈদগী চৎনরক্লবা কয়া হুন্দুংদা চৎলগা হংবদা হায়রক্কনি। হুন্দুংদা করম্বা মফমগী চীংদা লেপ্লগা য়েংবগে হায়বদু খঙগনি। পোলিটিক্সকী ওইবা মীৎয়েংদা অমদি বৃটিশকী মতমদগী লাপ্নবা হৌরকখিবনি। ঐখোয়গী লৈজরক্লবা পুৱারী কয়া নীংশিংদুনা য়োকখৎপা মতম ওইরে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী অধক্ষা বিমোলা, লাইফম খুনৌ জেদ পি মেম্বর এল ওলেন্দ্রো, টুরিজম দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর দল্লিয়ু ইবোহল, হৈঙাং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান কে জয়ন্তা, লাইফম খুনৌ জি পিগী প্রধান এল ফিরোজাসু দেজদা ফমখি। লমদম অদোমগী অহল-লমন অমদি মীওইকয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

## লাইরিক ফোঙগদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস): নবকুমার নোংমৈকাপ্পমনা ইবা ৱারীমচাগী হৌরকফম অমসুং মশক (ঠিওরিটিকেল এসেজ) কৌবা লাইরিক অমা থা অসিগী ১২ দা কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না ফোরম অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ক্ষেত্রি রাজেননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অসিদা মণিপুরী এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমীগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা অথোইবা লেংবীরকপা অমদি কলচরেল ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর হুইরেম বিহারীনা থৌরম মপু ওইগনি। ধনমঞ্জুরি য়ুনভির্সিটিগী ফেকল্টি মেম্বর শরতচন্দ্র লোংজোম্বনা লাইরিক্কী মরমদা ৱা ঙাংগনি হায়রি।

## লোইশিন থৌরমগী খোইরি কৈথেল কাখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস): মেরাগী নোংমা পানবদগী হৌনা পন্থৌ শঙলেন লাইপুং হরাও থৌনি ইরাৎ নুমীৎ ১০ নি চুপ্পা চথুরকপা চাকহোং-ঙাহোংনবা, খুঞ্জাও-লৈচাওনবা, ঈং-তপ্পা লমদম ওইনবগী ইরাৎ থৌনি লোইশিন থৌরমগী খোইরি কৈথেল কাখ্রে।

খোইরি কৈথেল লাইরেম্বী ইমাগী মশাইগোন্দগী চেঙ, ঙা, মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈ লৈবা লাকপা অসিগী মতাংদা সেলোই লংমাই চীং থাল্লো সিপি লোক পন্থৌ লাইকোনগী থৌকোক থোকচোম উলিপানা হায়খি, মেরাগী নোংমা পানবদগী ইরাৎ থৌনি চথুরকপা ঙসি মেরাগী ১০ নি পানবদা লোইশিনবা নুমীৎনি। মচা ওইবশিং অমদি মমোমলোয়শিংনা খোইরি কৈথেল কারকপনি। কারক্লিবা অসিগী নুংগী ওইবা পন্থৌগী পাউতাক্কী ওইবদা খোইরি কৈথেলদগী লৈরিবশিং অসি পন্থৌ শঙলেন লাইপুং হরাওবা লোইশিনবগী ইরাৎ থৌনিগীদমক্তনি। পন্থৌগী শঙলেনদগী মচা-মমোম কয়ানা খোঙনা খোঙশান্দুনা লাকপনি। মেরাগী ১০ নি পানবদা ফম্বাল তোংদুনা মচা ওইবশিংবু শিন্থা মশক খঙহনবা ইরাৎ লাইনিং খঙহনবীখি। মীওইবগী থৌগাই, খোন্থোক, শেন্মীৎলোন, মৈতৈ ইনাৎকী লৈরক্লবা পুঙ, ঈশৈ, জগোয়, পেনানচিংবা কয়া য়োকখৎলি। মৈতৈ ফিজেৎ নাৎ, ফুঙ্গা ৱারী, থকশি-খাশি, চৎন-লোনচৎ কয়া খঙহল্লি। ঙসি হরাওবাগী লোইশিনবগী নুমীৎ অসিদা খোইরি কৈথেল, কৈথেল লাইরেম্বী ইমাগী মশাইগোন্দগী লৈরিবা পোৎলমশিং অসি কৎলগা নীগদবনি। চাকহোং-ঙাহোংনবা, খুঞ্জাও-লৈচাওনবা, মহৈ-মরোং চুম্নবা, কুম কাংদনবা, মীশি-মীনা থোক্তনবা, শিদ-নাদবা, ৱায়েল লিক্লম মপী মপা পান্নবগীদমক পন্থৌ শঙলেন লাইপুং হরাও থৌনি পাঙথোকপনি হায়খি।

থৌরম অদুদা সেলোই লংমাই চীং থাল্লো সিপি লোক পন্থৌ লাইকোনগী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। নাৎকী লমদা খঙ-হৈরবা কয়াসু শরুক য়াবগা লোয়ননা ৱাফম কয়া থমখি।

## নোনেদা হেল্‌থ কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস): রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস), অরোগ্যা সেবা নোনে ব্রাঞ্চ অমদি সনবার্দ ট্রষ্টনা শীন্দুনা ঙসি বেপটিষ্ট একাদেমী নোনেদা ফ্রি হেল্‌থ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে হায়না রিমসকী মীদিয়া এদভাইজর ফিলিপনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ডোক্তর অমদি ষ্টাফ ৭০ হেনবনা কেম্প অদুদা অনা-লায়েংগী থবক চথখি। অনাবা ৭০০ লোম লায়েংখি। সেন্টর ওফ মেদিকেল এন্দ সেলস রিপ্রজেন্টেটিভ য়ুনিয়ন ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্টনা কেম্প অদুদা হিদাক লাংথক লেম্না য়েন্থোকখি। খুন্নাই অসি লায়না তীন্না লৈতনবা মীৎয়েংগা লোয়ননা কেম্প অদু পাঙথোকপনি হায়নসু মখা তারি।

## দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা শ্যাম শর্ম্মা অমদি পবন কুমার শরুক য়ারুগদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস): য়ামাগটা ইন্টরনেসনল দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম ফেষ্টিভেল ২০১৯ দা লমদমসিগী শক্লাইরবা শ্যাম শর্ম্মা অমদি পৱন কুমার শরুক য়ারুগনি হায়না ফিল্ম সোসাইটি মণিপুরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ১০ দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম ফেষ্টিভেল অসিদা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াদগী দোক্যুমেন্টরি ১৬ উৎকনি। সসাকাৱা পিছ ফাউন্দেসন্না লেজেন্দরি ফিল্ম মেকর অরিবম শ্যাম অমদি নহা ওইরিবা ফিল্ম মেকর হাওবম পবন কুমারবু ফেষ্টিভেল অসিদা য়াওনবা ইনভাইট তৌরকখিবনি। পোষ্ট স্ক্রিনিং ইভেন্টতা ৱাসু ঙাংগনি। ফেষ্টিভেল অসিদা মণিপুরদগী ফিল্ম মঙা উৎকনি। মসিগী মনুংদা শ্যাম শর্ম্মগী ওর্কিদস ওফ মণিপুর, য়েলহৌ জগোয়, দি দান্স ওফ লাই হরাওবা, দি মোনপাস ওফ অরুনাচল প্রদেশ, হাওবম পবন কুমারগী ফুমশং অমদি ওইনাম দোরেনগী সোং ওফ মসংভা উৎকনি। ফেষ্টিভেল অসিদা উৎকদবা অতৈ ফিল্মশিংগী মনুংদা পিঙ্কি বর্মা চৌধুরিগী এন অতম ফেবল, মুকুল হলোইসকী তেলস ফ্রোম অৱার চাইলহুদ, গৌতম বোরাগী ওল্ড মেন রিভর, সুবাশ্রি কৃষ্ণনগী হ্বাট দি ফিল্ড রিমেম্বর, অলতফ মাজিদকী ব্রোকন সোং, সঞ্জয় কাককী ফোরেষ্ট হেংস এ ব্রিজ, প্রেম ভাইদাসকী ন্যু রিদম ইন নাগালেন্দ, নেপোলিয়ন থাঙ্গাগী এম এন এফ, দি মিজো অপ রাইজিং, মোজি রিবাসকী প্রেয়র ফোর ন্যু গোদস, তরুন ভারতিয়াগী হ্বেন দি হেন্স ক্রাউ এন্দ নোট এল্লাওদ উৎকনি। দোক্যুমেন্টরি ফ্রোম নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া হায়বা হিরমদা সিম্পোজিয়ম অমসু পাঙথোক্কনি। মসিদা অখঙ-অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংগনি।

## এম দি সবউদ্দিন চহী ১৩ গী ফাদোক পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস): হৌখিবা কুমজা ২০১৭ গী জন্যুৱারী ২০ দা সিলচরদগী ইম্ফাল তম্না থিংলবা দ্রগশিং স্পাস্মো প্রোক্সিবোন অমসুং নাইট্রেসুন-১০ টেব্লেটশিং কার (হ্যুন্দাই আই-১০) এম এম-০৫-৪২৫৯ দা হাপ্লগা পুরকপদা ফাবদগী স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), ফাষ্ট ট্রেক কোর্টনা থা অসিগী ১ দা কনভিক্সন পীখ্রবা এম দি সবউদ্দিন (৪০), অপোকপা এম দি নিজামউদ্দিন, লিলোং তাইরেন মখোঙবু কোর্ট অসিনা চহী ১৩ গী ফাদোক পীখ্রে।

কনভিক্সন পীখ্রবা মীওই অসিগী ঙসি এস তারাগী কোর্ট অসিদা পাঙথোকখিবা সেন্টেন্স হিয়রিংগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর ওপন কোর্টতা লাউথোক্লদুনা মহাক্কী ফাদোক্কী মতম অসি খঙহনখিবনি। ঙসি পাঙথোকখিবা সেন্টেন্স হিয়রিং অসিগী মতুংইন্না কনভিক্সন ফংলবা এম দি সবউদ্দিনবু এন দি এন্দ পি এস এক্ট, ১৯৮৫ কী সেক্সন ২১(সী) গী মতুংইন্না চহী ১৩ ফাদোক লৈবগা লোয়ননা লুপা ১,৩০,০০০ ফাইন ওইনা থিননবা খঙহনখি। অদুগা এন দি এন্দ পি এস এক্ট, ১৯৮৫ কী সেক্সন ২২ (বি) গী মতুংইন্না চহী ৭ ফাদোক লৈবগা লোয়ননা লুপা লিশিং ৭০ ফাইন ওইনা থিনবসু খঙহনখি।

কনভিক্ট অসিদা পীরিবা চৈরোকশিং অসিগী মথক্তা মহাক্না ফাইন ওইনা লুপা লাখ ২ গী শেনফমসু ঙসিদগী পারগা থা ৪ ফাওবগী মনুংদা পীগদবনি। করিগুম্বা ফাইনগী শেনফম অসি মহাক্না পীবা ঙমদ্রবদি মহাক্কী ফাদোক্কী মতম অতোপ্পা চহী ২ শাংদোক্কনি হায়খি। মঙোন্দা কোর্ট অসিনা পীরিবা ফাদোক্কী তোঙান তোঙানবা মতমশিং অসি কনকরেন্ট ওইনা চৎথগনি। অদুম ওইনমক কেস অসিগা মরী লৈননা মহাক্না জেলদা লৈখিবা থা ১১ অমসুং নুমীৎ ১৫ নিগী মতমদি ফাদোক্কী মতম অসিদগী ককথগনি হায়খি।

ঙসিগী সেন্টেন্স হিয়রিং অদুদা কোর্ট অসিগী স্পেসল পব্লিক প্রোজিক্যুটর এম রাইচান্দ অমসুং কনভিক্সন ফংলবা মীওই অসিগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনা শরুক য়াখি। লোয়ননা এম দি সবউদ্দিন মশাসু মণিপুর সেন্ট্রেল জেল শজিৱাদগী পুথোরক্তুনা শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, মহাক্না পুশিল্লকখিবা দ্রগশিং অদু ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী নোনেদা লৈবা ৮ শুবা অসাম রাইফলসকী পোষ্টতা মসিগী পর্সনেলশিংনা ফাখিবনি। অদুগা নুংবা পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নরকখিবদগী মহাক্কী মথক্তা কেস এফ আই আর নম্বর-৫ (১) ২০১৭ অন্দর সেক্সন ২২/২৯/৬০ (৩) এন দি এন্দ পি এস এক্ট ১৯৮৫ কী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। পুলিসকী মায়কৈদগী কেস অসিগী চাজ শীট লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসল জজ (এন দি এন্দ পি এস) তা থাগৎলক্লবা মতুং কেস অসি মমাঙগী কুমজা ২০১৮ কী মার্চ ২৮ দা মসিগী এক্যুজশিংগী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌরগা ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট অসিদা ৱায়েল চথনবা ট্রান্সফর তৌরকখিবনি। কেস অসিদা চেন্নখিবা অপূনবা এক্যুজ মশিং ৪ নি। অদুবু চার্জ ফ্রেম তৌবা মতমদা এক্যুজ অনী কেস অসিদগী দিসচার্জ তৌখ্রবা মতুংদা কনভিক্সন ফংলবা মীওই অসিগী লোয়নবীসু কেস অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর লাউথোকখিবদা কেস অসিদগী এক্যুইট তৌখিবনি।

## ‘ওক্টোবর ১০ দগী ১৮ ফাওবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা আর্মি রিক্রুটমেন্ট রেল্লি চথরগনি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস): লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১০ দগী ১৮ ফাওবা আর্মি রিক্রুটমেন্ট রেল্লি পাঙথোক্লগনি হায়না ইম্ফাল ইষ্টকী এ দি সী সামিম-এ শাহনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

লুৱাংশংবমদা লৈবা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা সামিম-এ শাহমনা হায়খি, আর্মি রিক্রুটমেন্ট ওফিসর রঙ্গপহারনা থা অসিগী ১০ দগী ১৮ ফাওবা আর্মি রিক্রুটমেন্ট রেল্লি পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগীদমক শেম-শাবগী থবক অয়াম্বা লোইশিল্লক্লে। রিক্রুটমেন্ট রেল্লি অসিগীদমক কেন্দিদেট ১১০০০ রোম্না এপ্লাইদ তৌরক্লি। দি সী ইম্ফাল ইষ্টনা চ্যের লৌদুনা মীফম অহুল্লক পাঙথোকখ্রে। রিক্রুটমেন্ট রেল্লি পাঙথোরক্কদৌরিবা অসিগীদমক চান-থক্লবা, ঈশিং, মেদিকেল য়াওনা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎপগী মতাংদা মীফম পাঙথোক্তুনা থবক থৌদা কয়া শেম-শাদুনা লৈরে। রিক্রুটমেন্ট রেল্লি অসিগী মনুং চন্না থা অসিগী ১০ দা চান্দেল, জিরিবাম, ককচিং, কামজোং অমদি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা রিক্রুটমেন্ট তৌগনি। থা অসিগী ১১ দা বিষ্ণুপুর, কাংপোকপী, তেংনৌপল, থা অসিগী ১২ দা চুড়াচান্দপুর, নোনে, ফেরজোল, উখ্রুল, তমেংলোংগী চথগনি। থা অসিগী ১৩ দা থৌবালগী চথগনি। থা অসিগী ১৪ দা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা চথগনি। ওফিসলশিং রেল্লি পাঙথোকফমদা থা অসিগী ১০ দগী ১৮ ফাওবা লৈগনি। রিক্রুটমেন্ট রেল্লি য়াওবা লাক্কদৌরিবা কেন্দিদেটশিংনা পুরক্কদৌরিবা এদ্যুকেসনগী সার্টিফিকেট অমসুং চে-চাংশিং অদু দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস) কী ওফিসলশিংনা ভেরিফিকেসন তৌগনি। সী এম ও ইম্ফাল ইষ্টকী টিম অমনা মেদিকেলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎকনি।

থা অসিগী ৯ গী নুংথিলদা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মগী অকোয়বা মফমশিংদা ফোগ্গিং কাপথোক্কনি। রিক্রুটমেন্ট রেল্লি চথগদৌরিবা অসিগী মনুংদা মেদিকেল টিমশিং থমগনি। পি ঐচ ঈ দিগী টিমশিংনা ৱাটর সপ্লায়গী থৌরাং কয়া পায়খৎকনি। মহুদ অমদি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্নসু মোবাইল টোইলেট কয়া রেল্লি পাঙথোকফমদা থমদুনা সেনিটেসনগা মরী লৈনবা থবকশিং পায়খৎকনি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মগী অকোয়বদা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎকনি। রিক্রুটমেন্ট রেল্লিদা শরুক য়াবা লাক্কদৌরিবশিংগী চান-থক্লবগী ওইবা মফম কয়াসু হাংদোক্কদৌরি। মসিদা ফুদ সেফ্টি ওফিসরনা য়েংশিনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা শরুক য়ারদুনা আর্মি রিক্রুটমেন্ট ওফিস রঙ্গপহারগী রিক্রুটমেন্ট দিরেক্টর সাজিব মালিকসু শরুক য়াবগা লোয়ননা রিক্রুটমেন্ট অসি য়াম্না ট্রান্সপরেন্ট ওইবা মওংদা পাঙথোক্কনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

ADMISSION OPEN

ENGLISH & RHYMES COURSES

For

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/5687/24/sept.-23/oct.

3RD STATE LEVEL TALENT SEARCH SCHOLARSHIP COMPETITIVE EXAMINATION - 2019 (CLASS I TO X)

ORGANISED BY: EDUCITY

Sagolband Tera Tongbram Leikai, Near Oriental College Imphal-795001

Examination Fee Rs. 380/-
Last Date of Submission: 16th October, 2019
Class I to V Sub : Math, English Gram., Science
Class VI to X Sub : Math, Eng. Gram., Science, S.Sc.
Date of Exam: 20th Oct. (Class I–V) & 27th Oct. (Class VI–X) 2019
Timing : 11:00 a.m. to 02:00 p.m.

Marks (Class I to V)

| Sub. | F.M. | P.M. |
|---|---|---|
| Math | 40 | 20 |
| English | 30 | 15 |
| Science | 30 | 15 |

Marks (Class VI to X)

| Sub. | F.M. | P.M. |
|---|---|---|
| Math | 40 | 20 |
| English | 20 | 10 |
| Science | 20 | 10 |
| S.Science | 20 | 10 |

Prizes

- 1st /2nd/3rd Position holdr of each Class will be awarded with scholarship.
- 1st Position-1,000 x 12 months + Certificate
- 2nd Position-800 x 12 months + Certificate
- 3rd Position-600 x 12 months + Certificate
- 4th to 10th Position-Special Gift + Certificate
- Subject Toppers (4 Subject Separately) 1000 each + Certificate
- Award for the best school will be given to the total nos of 1st Position/2nd/3rd Position holder of the said school.
- Scholarship will be awarded only to the student who passed all the four subject of the competition those candidates who failed in any one of the 4 given subjects will not be qualified for the scholarship even if he/she be for subject toppers in any of the 4 subjects.

* Forms available at all the leading book stores and schools of Manipur.

1. Siroi Paper Mart - Singjamei Bazar & Kwakeithel 2. Heemabala Book Store - Canchipur 3. Universal Book Store - Lilong Bazar 4. K.B. Stationery - Wangjing Bazar 5. Mangol Stationery - Kakching Bazar 6. PP Collection & Stationery - Kakching Bazar 7. Boby Book Store - Mayang Imphal 8. M/S Computer - Thongkhong Luxmi Bazar 9. Bross Book Store - Wangoi Bazar 10. Sangai Book Store - Samurou Bazar 11. Prem Book Store - Oinam Bazar 12. I.K. Book Store & Xerox Point - Bishnupur Bazar 13. Tamo Photo Studio - Ningthoukhong Bazar 14. Romee Book Store - Moirang Lamkhai 15. Leima Book Store - Nambol Bazar 16. Sharma Distributor - Yairipok Bazar 17. Phijam Stationery - Chingmeirong Khongnang Ani Karak 18. Leirik Stationery - Khumbong Bazar 19. L.K. Book Store - Lamlong Bazar 20. Compact Service - Khoyathong 21. Taurus Stationery RIMS Gate 22. Shila Book Store - Thoubal Bazar 23. Amar Book Store - Khangabok Bazar

HL-B/5658/10/9-10/10

Please Contact: 9612194500